# নন-মুসলিমশিংদা সিটিজন্সিপ পীগদবা এম ঐচ এগী ওর্দর ষ্টে তৌবীনবা সুপ্রিম কোর্টতা হায়জখ্রে



ন্যু দেল্লী, জুন ০১ (এজেন্সী):
অফগানিষ্টান, পাকিস্তান অমসুং বাংলাদেশতগী লাকপা নন-মুসলিম রেফ্যুজিবু সিটিজনশিপ পীবা ঙম্নবা দিষ্ট্রিক্ট খরদা পাৱর শীজিন্নরিবা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্স (এম ঐচ এ)না মে ২৮দা থোকখিবা ওর্দর ষ্টে তৌবীনবা হায়জরদুনা ইন্দিয়ন য়ুনিয়ন মুসলিম লীগ (আই য়ু এম এল)না সুপ্রিম কোর্টতা ৰাকৎখ্রে।

আই য়ু এম এলনা সুপ্রিম কোর্টতা থাবা এপ্লিকেসন্দা হায়, সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট, ২০১৯ (সী এ এ) চপ চানা চৎনদ্রিবঁদা এম ঐচ এনা মে ২৮দা ওর্দর অমা থোক্তুনা সিটিজনশিপ এক্ট ১৯৫৫গী সেক্সন-১৬, সেক্সন-৫ অমসুং সেক্সন-৬ শীজিন্নদুনা অসিগুম্বা মপান্দগী লাকপা মীওইশিংদা সিটিজনশিপ পীনবা অকক্লবা দিষ্ট্রিক্ট খরগী কলেক্টর খরদা পাৱর শিন্নখ্রে। সেন্টরনা লোনা য়াদবা মওংদা হিন্দু, শিখ, বুধিষ্ট, জেইন, পার্সি অমসুং খৃষ্টানশিংদা সিটিজনশিপ পীবা য়ানবা খন্দোক্লবা দিষ্ট্রিক্টশিং অসিগী কলেক্টরশিংদা পাৱর শিন্নখ্রে হায়না আই য়ু এম এলগী প্লি অদুনা ক্লেম তৌখি।

এপ্লিকেসন অদুদা এক্ট অদুগী সেক্সন ৫গী মতুং ইন্না সিটিজন-শিপকীদমক ইলিজিবল মীওইশিংনা অয়েৎ-অপন লৈতনা রেজিষ্টর তৌবা য়াহল্লি অমসুং এক্ট অদুগী সেক্সন ৬না ইলিগেল মাইগ্রেন্ট নত্তবা মীওই খৃদিংমক নেচরেলাইজেসনগী পান্থৈনা সিটিজনশিপ এপ্লায় তৌবা য়াহল্লি হায়না পনখি।

সেন্টরনা এগজিক্যুটিভ ওর্দর অমা থোক্তুনা রেপ্যুজিশিংদুদা সিটিজনশিপ পীবা য়ানবা প্রোভিজন অনী শীজিন্নহন্নবা হোৎনরিবসি ইলিগেল ওই হায়না পিটিস্নরনা ক্লেম তৌখি।

প্রোভিজন অনী অসিনা লাইনিং লম্বীদা য়ূন্স্ফম ওইরগা এপ্লিকান্টশিং ক্লাসিফায় তৌবগী অয়াবা পীদবনা ওর্দর অদুমক প্রোভিজন অসিনা পর্মিট তৌবগী ৰাংমদা চৎলি। মসিদসু নত্তনা ওর্দর অদু আর্টিকল ১৪গী মায়োক্তসু ওই। কাঙলুপ অমগী মীওইশিংবু শুপ্নগী লাইনিং লম্বীদা য়ূন্স্ফম ওইরগা খন্দোক্তুনা সিটিজনশিপকীদমক এপ্লায় তৌবা য়াহনবা হায়বসি আর্টিকল অসিগী মায়োক্তনি হায়নসু এপ্লিকেসন অদুদা পনখি। টোপ কোর্ট অসিদা সী এ এগী হিয়ারিং চথবা মতমদা সেন্টরনা রুলশিং শেমখ্রবা এমেন্দমেন্ট এক্ট ষ্টে তৌবা মথৌ তাদে হায়না ফোঙদোকখিবা লৈ হায়না পিটিস্নরনা ক্লেম তৌখি।

# ইন্দিয়াদা হান্না থেংনবা কোরোনাভাইরস ষ্ট্রেন দেল্টা ভেরিএন্ট হায়না খঙনরগনি: দব্লিয়ু ঐচ ও

ন্যু দেল্লী, জুন ০১ (এজেন্সী):
ইন্দিয়াদা হান্না থেংনখিবা কোভিদ-১৯ ভেরিএন্ট ‘দেল্টা ভেরিএন্ট’ হায়না খঙনরগনি হায়না ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও)না নিংথৌকাবা নুমিত্তা লাউথোকখ্রে।

হৌজিক ফাওবা বি. ১.৬১৭ হায়না খঙনরকখিবা ভেরিএন্ট অসিবু ইন্দিয়ন ভেরিএন্ট হায়না মিংথোনবগী ৰাফম ইন্দিয়ানা মে ১২দা য়ানীংদবা উৎখ্রবনি। মালেমগী হেল্থ বোদি অসিনা মমাঙদা ভাইরসশিং নৎত্রগা ভেরিএন্টশিং মখোয়বু থেংনরিবা লৈবাকশিংগী মমিং লৌরগা মমিং থোল্লোইদবনি হায়বা লৈখ্রে।

থোল্লিবা মিংশিং অসিনা হৌজিক লৈরিবা সাইন্টিফিক মিংশিংগী মহুৎ শিনগনি হায়বদি লৈতে। সাইন্টিফিক মিংশিংনা মরু ওইবা সাইন্টিফিক ইনফোর্মেসন পী অমসুং মখোয়বু রিছার্চতা মখা তানা শীজিন্নখিগনি। কোভিদ ভেরিএন্টশিং থেংনৈ হায়দুনা লৈবাক অমত্তবু হঙ্গোইবা মীৎয়েংনা য়েংবা তৌরোইদবনি হায়না দব্লিয়ু ঐচ ওগী টেক্নিকেল লীদ দা. মারিয়া ভান কেরখোভেনা ফোঙদোকখি।

দব্লিয়ু ঐচ ওনা হায়, সার্স-কোভিদ-২গী জিনেটিক লিনেজশিং মমিং থোনবগী হান্নদগী লৈরক্লবা নোমেনক্লেচর সিষ্টেমশিং সাইন্টিষ্টশিংনা অমসুং সাইন্টিফিক রিছার্চতা মখা তানা শীজিন্নখিগনি।

দব্লিয়ু ঐচ ওনা কনভেন তৌখিবা গ্রুপ অমনা গ্রীক অলফাবেটকী লেট্টরশিং অলফা, দেটা গম্মানচিংবা শীজিন্ননবা রিকমেন্দ তৌখি। নন-সাইন্টিফিক ওদিএন্সশিংনা খন্নরকপদা মসিনা হেন্না লায়না থোক্কনি হায়রি।

দব্লিয়ু ঐচ ওগী মতুং ইন্না মমাঙদা ইন্দিয়াদা দিটেক্ট ভেরিএন্ট অদু ‘কাপ্পা’ হায়না খঙনরগনি। বি. ১.৬১৭ ভেরিএন্টকী লিনেজশিং ওফিসল ওইনা টেরিটরি ৫৩দা অমসুং ওফিসল ওইদবীদা অতোপ্পা টেরিটরি তরেৎতা রেকোর্দ তৌখি। ভেরিএন্ট অসি অতৈদগী হেন্না লৌনগল্লি হায়বা খঙনবসু লায়না লুশিলহনবা অমসুং ইনফেক্সনগী রিস্ককী মতাংদদি হৌজিক মখা তানা থীজিল্লি।

বি. ১.৬১৭ অসি হৌখিবা চহীগী ওক্টোবরদা রেকোর্দ তৌখি। দব্লিয়ু ঐচ ওগী মতুং ইন্না ভেরিএন্ট অসি লৈবাক ৪৪দা ফংলে।

ভাইরস অসিগী জিনোমদা ঈ ৪৮৪ ক্যু অমসুং এল ৪৫২ আর কৌবা অহোংবা অনী থেংনবদগী ষ্ট্রেন অসিবু দব্বল ম্যুটেন্ট হায়নসু খঙনদুনা লাক্লি।

## দোমিনিকাদা থুংখ্রে

ন্যু দেল্লী, জুন ০১ (এজেন্সী):
পঞ্জাব নেসনল বেঙ্কতা লোনগা মরী লৈননা চাওনা নমথাক তৌরম্বগীদমক ইন্দিয়ন ওথোরিটিশিংনা ফাবা পাল্লিবা মীচেল ওইরবা বিজনেসমেন মেহুল চোকসিগা মরী লৈনবা দোক্যুমেন্টশিং য়াওবা প্রাইভেট জেট অমা কটারদগী দোমিনিকাদা থুংখিবগা লোয়ননা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন, ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্টরেট অমসুং মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফেয়র্সকী মেম্বরশিং ঈথৎ লৈবাক অদুদা কেম্প তৌরি।

ছোর্সশিংগী মতুং ইন্না ইন্দিয়াদগী চৎখিবা মেম্বর নিপালগী টিম অমা থাংজ নুমিৎকী নুংথিলদা দোমিনিকাদা থুংখি। টিম অদু ইরাই নুমিৎকী নুমিদাংদা প্রাইভেট জেট অমদা ন্যু দেল্লীদগী খোঙশানখিবনি। মেম্বর নিপালগী টিম অদুদা এম ঈ এ, সি বি আই অমসুং ঈ দিগী মেম্বর অনী অমসুং সী আর পি এফ কমান্দো অনী য়াওরি।

## স্পুটনিক ফাইভ থুংখ্রে

হায়দরবাদ, জুন ০১ (এজেন্সী):
রসিয়াদগী চারটর্দ ফ্রাইটর-৯৪৫০দা পুরকখিবা লৈবাক অসিনা শাবা স্পুটনিক ফাইভ ভেক্সিনগী খ্বাইদগী চাওবা কন্সাইনমেন্ট লৈবাকপোকপা নুমিত্তা হায়দরবাদ এয়রপোর্টতা থুংখ্রে।

জি এম আর হায়দরবাদ এয়র কার্গো (জি ঐচ এ সী)না স্পুটনিক ভেক্সিনগী খ্বাইদগী চাওবা কন্সাইনমেন্ট অদু হেন্দল তৌখি। জি ঐচ এ সীনা মমাঙদা মপান্দগী পুশিল্লকপা ভেক্সিন কন্সাইনমেন্ট কয়া হেন্দল তৌখ্রবসু লৈবাকপোকপা নুমিত্তা হোল্লক্লিবা ভেক্সিন টন ৫৬.৬ অদু হৌজিক ফাওবদা ইন্দিয়াদা হেন্দল তৌবা খ্বাইদগী চাওবা ভেক্সিন কন্সাইনমেন্ট ওইরি।

রসিয়ানা শাবা স্পুটনিক ফাইভ ভেক্সিন অসি স্পেসলাইজ হেন্দলিং অমসুং ষ্টোরেজ মথৌ তাই। ভেক্সিন অসি সেলসিয়স দিগ্রী মাইনস ২০দা থমগদবনি।

# মীপূম তিংনা ভেক্সিন কাপ্লবদি ফিজিকেল হিয়ারিং হৌবা য়াগনি: এস সী জজ

ন্যু দেল্লী, জুন ০১ (এজেন্সী):
লৈবাক অসিগী মীপূম তিংনা ভেক্সিন কাপ্লবদি কোর্টনা ফিজিকেল হিয়ারিং চথবা য়ারগনি হায়না সুপ্রিম কোর্টকী সিনিয়র জজ জষ্টিস দি ৱাই চন্দ্রচূদনা ফোঙদোকখ্রে।

লৈবাক অসিগী চহী ১৮ মথক্কী মীওই পূম্বা চহী অসি লোইবা ফাওবগী মনুংদা ভেক্সিন কাপ্পা লোইরগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়না সেন্টরনা সুপ্রিম কোর্টতা খঙহনখিবা মতুংদা বেল মেট্টর অমগী হিয়ারিংদা কাওন্সেলনা ওগষ্ট থা ফাওবগী মনুংদা ফিজিকেল হিয়ারিং হৌবা য়াই হায়বগী থাজবা ফোঙদোক্লবদা জষ্টিস চন্দ্রচূদনা ওবজর্ভেসন অসি পীখিবনি।

পিটিস্নরগী কাওন্সেলনা কেস অদুগী মথংগী হিয়ারিংদা মরী লৈনবা খৃদিংমক কোর্টতা পুনবা য়ানবা ঐখোয় পূম্বনা লাইদা খুরুমজসি হায়খি।

কাওন্সেলগী ৰাফম অসি তাবদা জষ্টিস এম আর শাহগী নাকলদা ফম্লিবা জষ্টিস চন্দ্রচূদনা ফিজিকেল হিয়ারিং হৌবা য়ানবা মীপূম তিংনা ভেক্সিন কাপ্লবা খুরুমজসি হায়খি।

অতোপ্পা মেট্টরদা জষ্টিস চন্দ্রচূদনা ভাইরেল ইনফেক্সন লৈবদগী মশামক আইসোলেসন তৌখিবগী এক্সপরিএন্স তমখি। জষ্টিস অসিনা নুমিৎ ১৮নিগী মতমদুদা মহাক শুপ্নগী লাইরিক পারগা খাংখি হায়খি।

সিনিয়র এদভোকেটশিং অভিশেক, মানু সিংহভি, সিদার্থ দাভে অমসুং সিদার্থ লুথ্রা অমসুং সোলিসিটর জেনরেল টুশর মেহতানসু এন ৯৫ মাস্ক অমসুং ভেক্সিনেসনগী মরমদা মশা মশাগী মতশিং ফোঙদোক্লখি। হৌখিবা চহীগী মার্চতা লোকদাওন হৌখিবদগী সুপ্রিম কোর্টনা মেট্টরশিং ভার্চ্যুএল ওইনা পায়দুনা লাকখি।

নিংথৌকাবা নুমিত্তা জষ্টিস চন্দ্রচুদনা ভেক্সিন পোলিসিগী মতাংদা সেন্টরদা তকখৎখি অমসুং ভেক্সিনেসনগা মরী লৈননা পোলিসি দোক্যুমেন্ট পুথোক্লবা খঙহনখি। ভেক্সিন লৈবদা সেন্টরগা য়েংনবদা ষ্টেটশিংনা মমল হেন্না তিংহনবা অমসুং ভেক্সিনগীদমক ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন কয়ানা গ্লোবেল টেন্দরশিং ইস্যু তৌবগী মরমশিং হংখি। ইস্যুশিং অসিগী মতাংদা চয়োল অনিগী মনুংদা পাউখুম পীরক্লবসু কোর্ট অসিনা সেন্টরদা খঙহনখি।

# অন্ধ্রগী হান্নগী চীফ সেক্রেটরি লৈখিদ্রে



হায়দরবাদ, জুন ০১ (এজেন্সী):
অ ন্ধ্র প্রদেশকী হান্নগী চীফ সেক্রেটরি এম ভি প্রসাদ কোরোনাভাইরস ইনফেক্সননা মরম ওইদুনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা হায়দরবাদতা লৈবা প্রাইভেট হোস্পিটাল অমদা লৈখিদ্রে।

মহাক নুমিৎ নীনিগী মমাঙদা মহাক্কী লোয়নবীগা লোয়ননা প্রাইভেট হোস্পিটাল অমদা এদমিট তৌখিবনি। কে রোসাইয়ানা চীফ মিনিষ্টর ওইরিঙৈ কুমজা ২০১০দা প্রসাদপু চীফ সেক্রেটরি ওইহনখি। মহাক চহী অনী ফম অসি পায়খি।

এন জনার্ধন রেদ্দি, কোটলা ভিজায়াভাস্কর রেদ্দি, এন চন্দ্রবাবু নাইদু অমসুং ৱাই এস রাজাসেখর রেদ্দি য়াওনা চীফ মিনিষ্টর কয়াগী মতাংদা প্রসাদনা প্রিন্সিপাল সেক্রেটরিগী ফম পায়খি। ভেলোর দিষ্ট্রিক্টকী সব-কলেক্টর ওইনা মহাক্কী করিয়র হৌখি।

হান্নগী ব্যুরোক্রেট অসিনা লৈখিদবদা চীফ জষ্টিস ওফ ইন্দিয়া জষ্টিস এন ভি রামনা, অন্ধ্র প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর ৱাই এস জগন মোহন রেদ্দি অমসুং টেলঙ্গনাগী চীফ মিনিষ্টর কে চন্দ্রসেখরনচিংবা লুচিংবা কয়ানা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

## কোভিদ-১৯না খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লবা ষ্টেটশিং

| Location | Cases | Recovered | Deaths |
|---|---|---|---|
| Maharashtra | 57,50,000+15,077 | 54,00,000+33,000 | 95,344+500 |
| Karnataka | 26,00,000+16,604 | 22,60,000+44,473 | 29,090+411 |
| Kerala | 25,30,000+12,300 | 23,10,000+28,867 | 8,815+174 |
| Tamil Nadu | 21,00,000+27,936 | 17,70,000+31,223 | 24,232+478 |
| Andhra Pradesh | 16,90,000+7,943 | 15,30,000+19,845 | 10,930+98 |
| Uttar Pradesh | 16,90,000+1,472 | 16,30,000+5,491 | 20,497+151 |
| Delhi | 14,30,000+648 | 13,90,000+1,622 | 24,237+86 |
| West Bengal | 13,80,000+10,137 | 12,70,000+17,856 | 15,541+131 |
| Chhattisgarh | 9,71,000+2,163 | 9,23,000+5,651 | 13,048+32 |
| Rajasthan | 9,40,000+1,498 | 8,89,000+8,000 | 8,385+68 |
| Gujarat | 8,09,000+1,681 | 7,67,000+4,721 | 9,833+18 |
| Madhya Pradesh | 7,80,000+1,205 | 7,49,000+5,023 | 8,067+48 |
| Odisha | 7,65,000+8,313 | 6,81,000+10,405 | 2,754+35 |
| Haryana | 7,57,000+1,246 | 7,30,000+3,671 | 8,303+82 |
| Bihar | 7,07,000+1,113 | 6,85,000+3,196 | 5,163+59 |
| Telangana | 5,78,000+2,524 | 5,41,000+3,464 | 3,281+18 |
| Punjab | 5,68,000+2,192 | 5,17,000+4,904 | 14,550+118 |
| Assam | 4,11,000+4,348 | 3,55,000+5,037 | 3,365+65 |
| Jharkhand | 3,38,000+831 | 3,24,000+1,816 | 4,991+14 |
| Uttarakhand | 3,29,000+1,156 | 2,95,000+3,091 | 6,452+51 |
| Jammu and Kashmir | 2,90,000+1,525 | 2,51,000+4,070 | 3,907+37 |
| Himachal Pradesh | 1,90,000+865 | 1,74,000+2,168 | 3,143+16 |
| Goa | 1,56,000+602 | 1,40,000+1,825 | 2,649+24 |
| Puducherry | 1,04,000+627 | 91,770+1,629 | 1,536+18 |
| Chandigarh | 60,046+124 | 57,526+483 | 753+8 |
| Chandigarh | 60,046+124 | 57,526+483 | 753+8 |
| Tripura | 51,974+841 | 44,908+845 | 519+6 |
| Manipur | 50,751+869 | 41,153+546 | 807+14 |
| Meghalaya | 35,598+408 | 28,107+977 | 578+14 |
| Arunachal Pradesh | 27,272+322 | 23,402+350 | 115 |
| Nagaland | 21,680+117 | 16,370+219 | 376+13 |
| Ladakh | 18,662+165 | 16,859+105 | 189+1 |
| Sikkim | 15,317+146 | 11,043+83 | 253+3 |
| Mizoram | 12,399+312 | 9,214+199 | 40+2 |
| Lakshadweep | 8,077+149 | 6,242+352 | 33+1 |
| Andaman and Nicobar Islands | 7,005+21 | 6,719+36 | 115+1 |

## হোস্পিটালাইজ তৌখ্রে

তিরুভান্তপুরম, জুন ০১ (এজেন্সী):
কেরেলাগী অনৌবা ইন্দষ্ট্রিজ মিনিষ্টর পি রাজিভ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবদগী লৈবাকপোকপা নুমিত্তা তিরুভান্তপুরমদা লৈবা ষ্টেটনা চল্লাইবা মেদিকেল কোলেজ হোস্পিটালদা এদমিট তৌখ্রে।

মহাক পিনারায়ি ভিজায়নগী অনীশুবা কেবিনেটতা ভাইরস অসিনা শোকহনবা অহানবা মিনিষ্টরনি। লৈবাকপোকপা নুমিৎ অসি মেম্বর ১৪০ লৈবা এসেম্বলি মীফমগী মরিনি চনবা নুমিৎনি। ষ্টেট বজেট ফাইনান্স মিনিষ্টর কে এন বালাগোপালনা ইরাই নুমিত্তা পুথোক্কদবনি।

কোভিদ কেস হেনগৎলকপদগী মীফম অদু হান্না লেপখিবা জুন ১৪ গী মহুত্তা জুন ১০দা ওইনা লোইরগনি। সী পি আই-এমগী লেজিসলেটর জে ষ্টেফেনসু লৈবাকপোকপা নুমিত্তা কোভিদ পোজিটিভ ওইখি।

## ষ্টেটশিং, য়ু টিশিংদা ভেক্সিন দোজ ক্রোর ১.৭৫ শীজিন্নদনা লৈরি: হেল্থ মিনিষ্টর

ন্যু দেল্লী, জুন ০১ (এজেন্সী):
লৈবাক অসিগী ষ্টেটশিং অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরিশিংদা হৌজিক কোভিদ ভেক্সিন দোজ ক্রোর ১.৭৫ হেন্না লৈরি হায়না হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা ক্লেম তৌখ্রে।

মিনিষ্ট্রি অসিগী চেরোল অমগী মতুং ইন্না, মথংগী নুমিৎ হুম্নিগী মনুংদা ষ্টেটশিং অমসুং য়ু টিশিংনা ভেক্সিন দোজ লাখ ২.৭৩ হেন্না ফংলগনি।

সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা হৌজিক ফাওবদা লেম্না পীবা কেটগোরি অমদি দাইরেক্ট ষ্টেট প্রোক্যুরমেন্ট কেটগোরি অনীমক্কী খৃথাংদা ষ্টেট অমসুং য়ু টিশিংদা ভেক্সিন দোজ ক্রোর ২৩ হেন্না পীখ্রে। মসিগী মনুংদা ৱেষ্টেজ থারগা অপূনবা কঞ্জ্যুমসন অসি দোজ ২১,২২,৩৮,৬৫২নি।

ভেক্সিনেসন প্রোগ্রামগী মতাংদা হেল্থ সেক্রেটরি রাজেস ভুশননা চেয়র লৌদুনা ভিদিও কনফরেন্সিংগী খৃথাংদা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ষ্টেটশিং অমসুং য়ু টিশিংগী এদমিনিষ্ট্রেটরশিংগা রিভিয়ু মীটিং অমসু পাঙথোকখি।

ষ্টেট কয়ানা ভেক্সিন ৱাৎপগী কমপ্লেন তৌবগী পাউ কয়া ফোঙনরিবঁ মতমসিদা ভেক্সিনেসনগী খোঙজেল থুহনবা হায়বগী স্কোপ চাওনা লৈ হায়না ভুষননা মীফম অদুদা থমখি।

হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী চেরোল অসিনা হায়, ভেক্সিন ফংহনবগী চাং হেনগৎহন্দুনা ষ্টেটশিং অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরিশিংবু ভেক্সিনেসন মশিং হেনগৎহল্লগনি। সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা ভেক্সিন ষ্টোক মরাং কায়না পীদুনা ভেক্সিনেসন দ্রাইভকী খোঙজেল থুজিনহল্লগনি।

ষ্টেটশিং অমসুং য়ু টিশিংদা ভেক্সিনেসন সেন্টর হেনগৎহন্নবা অমসুং কোওর্দিনেসন টিমশিং শেমদুনা প্রাইভেট হোস্পিটালশিংগা হেন্না থৱায় য়াওনা এনগেজ তৌনবসু খঙহনবা লৈখ্রে। হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা ষ্টেটশিং অমসুং য়ু টিশিংদা ভেক্সিন অরেম্বদা মাঙহনবগী চাং য়ারিবমখৈ হন্থনবসু পাউতাক পীখ্রে।

## মীওই ৩,৫০০না জূম এপকী খৃথাংদা মেদিকেল এদভাইস লৌখি

গুরুগ্রাম, জুন ০১ (এজেন্সী):
কোরোনা পেন্দমিক্কী অনীশুবা ৱেভ মনুংদা হোম আইসোলেসন তৌরিবা পেসেন্ট ৩৫০০না গুরুগ্রাম দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা হৌদোকপা ওনলাইন মেদিকেল কন্সলটেসন সর্ভিসকী খুদোংচাবা লৌখি। ওনলাইন ফেসিলিটি অসি জূম এপকী খৃথাংদা পীবনি।

গুরুগ্রামগী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা কোভিদ-১৯ থেংনবদা লেভেল খৃদিংমক্তা মীয়াম্বু মতেং পাংনবা গুরুগ্রামগী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা লৌখৎপা য়াবা থৌরাং খৃদিংমক লৌখৎলি। মসিগীদমক্তা এদমিনিষ্ট্রেসন অসিনা জূম এপকী খৃথাংদা হোম আইসোলেসন তৌরিবা পেসেন্টশিংদা শেল তিংদনা মেদিকেল এদভাইস লৌবগী খুদোংচাবা ফংহনবা হৌরে। ফেসিলিটি অসিনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী সিটিজনশিংবু কান্নবা পীরি।

জূম এপকী খৃথাংদা হোম আইসোলেসন তৌরিবা পেসেন্টশিংনা ওনলাইনদা দোক্টরশিং তান্নদুনা হকশেলগী মতাংদা কান্নবা পাউতাক কয়া লৌবা য়ারগনি।

মীওই ৩,৫০০না ফেসিলিটি অসিগী খুদোংচাবা লৌখিবদা অপেনবা ফোঙদোক্লদুনা মহাক্না হায়, অনীশুবা কোভিদ ৱেভতা মীওই ৫০দগী ৬০ রোম্না ফেসিলিটি অসিগী খৃথাংদা নুমিৎ খৃদিংগী হেল্থ বেনিফিটশিং ফংলি।

দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মীওইশিংনা জূম এপকী খৃথাংদা নুমিৎ খৃদিংগী অয়ুক পূং ১১দগী নুংথিল পূং ১ ফাওবদা সর্ভিস অসিগী খুদোংচাবা ফংগনি। ওনলাইন সর্ভিসতা জে ইন তৌবা ঙমদবা পেসেন্টশিংনসু এদমিনিষ্ট্রেসননা ইস্যু তৌবা হেল্পলাইন সর্ভিসতা কন্টেক্ট তৌরগা মেদিকেল এদভাইস লৌবা য়াগনি হায়না গার্গনা মখা তাখি।

## ফিভম লুরি

লক্ষ্ণৌ, জুন ০১ (এজেন্সী):
সমাজৱাদি পার্টিগী সিনিয়র এম পি মোহম্মদ অজম খান টেষ্ট তৌবদা কোভিদ-১৯ নেগেটিভ ওইরবসু মহাক লক্ষ্ণৌ মেদান্তা হোস্পিটালদা ওক্সিজেন সপোর্টকা লোয়ননা ফিভম লুনা লৈরি। মহাক পোষ্ট কোভিদ ফাইব্রোসিস অমসুং লংসতা ফিভম লুনা নাবগী প্রোব্লেম লৈরিবনি। মহাক কিদনিদসু ইনফেক্সন লৈ।

হোস্পিটালনা থোকপা হেল্থ বুলেটিনগী মতুং ইন্না মশাগী চহী ৭২ শুরবা মীওই অসিগী ফিভম নিংথৌকাবা নুমিত্তা ইমপ্রুভমেন্ট খরা লৈখি। তৌইগুম্লসুং মহাক হোস্পিটাল অসিগী ক্রিটিকেল ক্যোর টিমনা লেপ্পুনা য়েংশিনবা মথৌ তারে।

খান অমসুং মহাক্কী চহী ৩০ শুরবা মচানুপা মোহম্মদ অব্দুল এপ্রিল ৩০দা কোভিদ পোজিটিভ ওইবদগী মে ১দা লক্ষ্ণৌ মেদান্তাদা এদমিট তৌখি।

চৈরক অসিদা ওল ইন্দিয়া মুসলিম পর্সনল লো বোর্দ (এ আই এম পি এল বি)গী ইগজেক্যুটিভ মেম্বর জাফরয়াব জিলানি লৈবাকপোকপা নুমিত্তা মেদান্তা হোস্পিটালদগী দিসচার্জ তৌখ্রে।

## ভেক্সিনেসন লেপ্লগনি

চেন্নাই, জুন ০১ (এজেন্সী):
টামিল নাদুদা বেনিফিসরি গ্রুপ খৃদিংমক্কী ভেক্সিন ষ্টোক লৈরক্তবদগী ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তগী ভেক্সিন কাপ্পগী দ্রাইভ লেপ্লবা ৱারেপ লৌখ্রে।

ষ্টেট হেল্ট সেক্রেটরি জে রাধাকৃষ্ণননা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়, মথং বেচকী ভেক্সিন দোজ লাখ ৪২.৫৮ জুন ৬ অমসুং ৯গী মরক্তা ষ্টেট অসিদা য়ৌরকপা য়াই। সেন্টরনা ষ্টেট অসিগী ভেক্সিন এলোটমেন্ট জুন থাদা শরুক অনী হেনগৎতুনা লাখ ৪২ য়ৌহনগনি হায়না থাজবা পীখ্রবনি। মসিগী মনুংদা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা পীবা ভেক্সিন লাখ ২৫.৮ অমসুং ষ্টেটনা চহী ১৮-৪৪ গ্রুপকী লৈগদবা ভেক্সিন দোজ লাখ ১৬.৭ য়াওরি।

নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ুক্তা ভেক্সিন দোজ লাখ ৪.৫ য়ৌনা লৈখিদে। ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা চহী ১৮-৪৪ গ্রুপকী ভেক্সিন দোজ লাখ ২.১ লৈখি। দোজ লাখ ২.৫দি সেন্টরনা চহী ৪৫ অমসুং মথক্কী মীওইশিংগীদমক পীরকখি। নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুমিদাং ফাওবদা মীওই লাখ ১.৬ ভেক্সিন কাপখি। মখোয়গী মনুংদা চহী ১৮-৪৪গী মীওই ৮৭,৭৮১ য়াওখি।

ꯏꯉ꯭ꯈꯣꯜ / ইঙ্খোল য়োঞ্জরি

থাংমৈবন্দ তরুং খুলগী পি ঐচ সীগী মনাক শোরোক্কা হেক তায়নবা 45x120 sqft চাওবা লম ইঙ্খোল অমা অথুবা মতমদা য়োঞ্জরি। পান্থীবশিংনা মখাগী কন্টেক্ট নম্বর অসিদা পাউ ফাওবীরকপা য়াগনি।

HL-P/9792/1,2 # 7628967399

ꯅꯨꯡꯉꯥꯏꯇꯕ/ CONDOLENCE



The members of the Youth Integration Club, Keishamthong Maning Longjam Leikai, Imphal West expressed deepest Condolence by observing 2 (two) minutes silence on the sudden demise of Shri Longjam Rameshwar Singh, Founder member of this club who expired on Thursday, the 27th May 2021. He did many commendable services towards the development of the club. May his soul rest in peace in the heavenly abode. We also share the pain & sorrow of the bereaved family.

Sd/- **M. Meina Singh**
Vice-President, YIC

HL-P/9795/2

ꯅꯨꯡꯁꯪ/নুংশং ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি



Naorem Ibomcha

নুংশংগা মরী লৈনবা লাইওং খৃদিংমক :- অমাংথোঙ নাম্থবা, পোন্বা-তঙবা, চেখাইবা, ঈ তাবা, খোঙ হান্বা য়াদবা, হাক্কৎচবা, নাই চারগা পোন্বা, অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেসতুলা), মচুম তাবা, ঈ অমাংবদা তৈরকপা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, মনুংদা পোন্বা (হেমোরোইদ), মনুংদা চাথৎপা, নাকল অমা চোন্থরকপা, মনুংদগী মতুম ওইনা ইন্থরকপা, চিকপা-শাবা, মপান অকোয়বা থাগৎপা, ফ্রা-ফ্রা লাওনা ইন্থরকপা, অমাংবা চেপ্পগা লাকপা, সনারৈ অথোনবদৌনা শাৎতোকপা, অরোয়বা তাঙ্কক হায়বদি খৃৎনা ইনশিনবা, চঙদ্রবা (পদ্রাক-পদ্রাক তারবা) অমদি ওপরেসন তৌরুরগা অমুক হৌরকপা হায়রিবা লাইওংশিং অসি ওপরেসন তৌদনা য়াম্না লায়বা মওংদা ফহনবা ঙমজরে। মরম অদুনা মীয়ামগী লায়েংনবগী খুদোংচাবা থমজরি।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai Saya Club
Contact No. 6009147645/8014023792

HL-B/6972/17/5-15/6

ꯁꯅꯥ ꯖꯟꯃꯁ꯭ꯊꯥꯟ ꯀ꯭ꯂꯕ
**SANA JANMASTHAN CLUB**
Regd. No. 8 to 1958-59 (29th July, 1958, Shillong)
Keishamthong Nambul Mapal, Imphal-795001
(MANIPUR)

অৱাবা ফোঙদোকপা



Sana Janmasthan Club, Keishamthong গী Joint Secretary অমসুং All Manipur Working Journalists' Union (AMWJU) গী President লোয়ননা তোঙান-তোঙানবা ওর্গনাইজেসনশিংদা অচৌবা থৌদাং লৌবীরম্বা Shri Sagolshem Hemanta না মশাগী অনাবা অমদগী লৈখিদবদা Sana Janmasthan Club না থম্মোয় শোক্না অৱাবা ফোঙদোকখ্রে। Shri Hemanta, Journalist অমা ওইবতা নৎতনা তোঙান-তোঙানবা লাইরিক কয়াসু ইবিরমখি, মসিগী মনুংদা খেংজোই চীংশাঙদা অমসুং তুরেলগী ৱারী পনবা য়াই। মহাক্না ক্লব অসিগী জোইন্ট সেক্রেটরি পুবিরিঙৈদা ক্লব অসিনা State Level Boxing Championship পাঙথোক্লবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌবীখিবা অদুবু অমুক হন্না নীংশিংনখি। লোয়ননা লৈখিদবগী থৱায়না ঈশ্বরগী মফমদা ঈংনা-চিক্না লৈরুনবা খুরুমজবগা লোয়ননা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি।

Sd/- **Dr. Th. Ranadhir Singh**
Secretary, Sana Janmasthan Club,
Keishamthong, Imphal

HL-B/6981/2

ꯑꯋꯥꯕ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯄ / অৱাবা ফোঙদোকপা



ঐখোয় খ্বাই পূন্নমক্না মতম কুইনা লোয়নজরম্বা নুংশিরবা মরুপলোই শ্রীশগোলসেম হেমন্ত সিংহ, কৈশামথোংদা লৈবা অমসুং হান্নগী All Manipur Working Journalists' Union গী President ওইনা থৌসু পুবিরম্বা অদুগা ঐখোয়নদি দাদা হায়নসু মীঙ্গৌজবা মহাক্না ৱাহৈ অমতংফাওবা পূকমেল-পাওমেন্নবা নংহৌদনা তাং ৩০/০৫/২০২১ ইং, কালেনগী ২০নি পানবা নোংমাইজিং নুমীৎকী অয়ূক্তা ইখঙ খঙহৌদনা মীরমলেন তাইবংপান থাদোক্তুনা চৎখ্রবদা, মহাক্কী লৈহৌরিবা মরুপ ঐখোয়না করি ৱাহৈ-নবু ফোঙদোক্কনি নীংঙমদবা থম্মোয়গী মৈচাকসে।

নুংশিরবা মরুপ-ও নহাকপু, কাউঙল্লোই কৈদৌঙৈ ঐখোয়না
নহাক্কী মোমোন মাইথোংদো, ৱাঙাংদো নঙগী নুংশিরবা
থাজদনা চৎখিদা পেনখিদ্রে, থৱায় মীরেলনা নহাক্কী
ঈংনা-চিক্না লৈনবা, তাইবঙ মপূদা পুনেমজরি।

ইমুং-মনুংগী অৱাবা কয়াদসু শরুক য়াজরি লৈখিদ্রবগী মরুপলোই ময়াম্না।

ফোঙদোকচরিবা ঃ-
**TOP TEN গী মরুপশিং, লোয়ননা অতোপ্পা লোয়নরম্বা মরুপ-মপাংশিং**

HL-P/9793/1,2,3,4